# লুপা লাখ ২.৫ হেন্না ওনলাইনদা ট্রান্সফর তৌরবদি ইনকম টেক্স ওফিসলগী মীৎয়েং চঙলকপা য়াই

ন্যু দিল্লি, মার্চ ৩১ (এজেন্সী) :
ইলেক্ট্রোনিক ট্রানজেক্সনগী খুথাংদা ওইরবসু কনাগুম্বনা মশাগী একাউন্টতা শেল য়াম্না চঙহনবা থোক্লবদি ইনকম টেক্স ওফিসলনা নৎত্রগা বেঙ্ককী ওফিসলশিংনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলকপা য়াই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

জালি নোট ফাগৎপগা লোয়নননা টেক্স থীদবা মীওইশিংগী খোঙ্গুল লীনবগীদমক গভর্ণমেন্টনা নবেম্বর ৮ দা শেনয়েক অনী চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা কনাগুম্বনা মশাগী সেভিং বেঙ্ক একাউন্টতা শেল কা হেন্না থমজিনবগী থৌওং ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা য়েংশিন্দুনা লাকখি।

ইলেক্ট্রোনিক ট্রানজেক্সনগী খুথাংদা অনৌবা বেঙ্ক একাউন্টশিং অমসুং জন ধন একাউন্টতগী শেল কা হেন্না ট্রান্সফর তৌরকপগী থৌওংবুসু টেক্স ওফিসলশিংনা শেন্নদুনা লাকখি।

প্রধান মন্ত্রি জন ধন যোজনাগী মখাদা সেভিংস একাউন্ট কয়ামরুম হাংদোকখি। দিমোনেটাইজেসন মতুং তারকপদা হায়রিবা একাউন্টশিং অদুদা অরানবা মওংদা তানশিনখিবা শেনফম কয়ামরুম থমজিনবগী রিপোর্ট গভর্ণমেন্টনা ফংখি। মতম শাংনা ট্রানজেক্সন তৌদনা লৈরক্লবা সেভিংস একাউন্ট নৎত্রগা জন ধন একাউন্টতা ইখঙ খঙহৌদনা শেল থমজিল্লকপগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথুরি।

সিনিয়র ওফিসল অমনা হায়খি, জন ধন একাউন্টশিং শীজিন্নরগা ব্লেক মনিবু হ্বাইট মনিদা ওন্থোকপগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথবগা লোয়ননা মীওই কয়াদা নোটিশ থাদুনা ৱাহং-পাউহং চথবা লৈখ্রে।

জন ধন একাউন্টশিংদা য়াম্না

## অপীকপা সেভিং স্কিমগী ইন্টরেষ্ট চাদা ০.১ হন্থরে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ৩১ (এজেন্সী) :
গভর্ণমেন্টনা পব্লিক প্রোভিদেন্ট ফন্দ (পি পি এফ), কিষান বিকাশ পত্র (কে ভি পি), সুকন্য সমরিধি একাউন্ট (এস এস এ) অমসুং সিনিয়র সিটিজন সেভিংনচিংবা অপীকপা সেভিং স্কিমশিংগী শেন্দোয় চাদা ০.১ হন্থখ্রে।

ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগী নোটিফিকেসন অমনা হায়খি, পি পি এফ অমসুং চহী ৫গী ওইবা নেসনল সেভিংস সর্টিফিকেটকী শেন্দোয় চাদা ৭.৯ ওইরগনি। হায়রিবা স্কিম অনী অসিগী হৌজিক-হৌজিক ওইরিবা শেন্দোয়গী চাং চাদা ৮ নি। সুকন্য সমরিধি একাউন্ট স্কিমগী শেন্দোয় চাদা ৮.৫ ওইরম্বদগী হৌজিক্তি চাদা ৮.৪ দা হন্থরগনি হায়রি।

চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিল ১ দগী হৌরগা জুন ৩০ ফাওবা চৎনগদবা ইন্টরেষ্টকী চাং লাউথোক্লদুনা ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, থা ৩ খুদিংগী গভর্ণমেন্টনা অনৌবা শেন্দোয়গী চাং লাউথোক্কনি।

ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগী চেরোল অমনা হায়খি, কিষান বিকাশ পত্রগী শেন্দোয় চাদা ৭.৬ তা হন্থরগনি। সিনিয়র সিটিজন সেভিং স্কিম অমসুং চহী ৫গী ওইবা নেসনল সেভিং সর্টিফিকেটকীনা মথংশিৎনা চাদা ৮.৪ অমসুং ৭.৯ ওইরগনি। অদুমওইনমক সেভিং দিপোজিটকী ওইনদি চহীগী শেন্দোয় চাদা ৪ দা অদুমক লেংদনা লৈহনগনি।

ফাইনান্সিএল সিষ্টেমদা মপুং ওইনা ইন্টরেষ্ট রেট হন্থরকপদগী অপীকপা সেভিং স্কিমশিংগী শেন্দোয় হন্থহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। রিটায়ার্মেন্ট ফন্দ বোদি ওইরিবা ইমপ্লোয়ীজ প্রোভিদেন্ট ফন্দ ওর্গনাইজেসন (ঈ পি এফ ও)না হন্দক প্রোভিদেন্ট ফন্দ দিপোজিটকী শেন্দোয় চৎলিবা শেনবা চহী অসিদগী হৌনা চাদা ৮.৬৫ দা হন্থহন্নবা ফিরেপ লৌখ্রবনি। হান্নদি প্রোভিদেন্ট ফন্দগী শেন্দোয় চাদা ৮.৮ ওইরম্বনি।

মমাঙ চহীগী এপ্রিল থাদগী হৌনা অপীকপা সেভিং স্কিমশিংগী শেন্দোয় থা ৩ খুদিংগী নৌনা শেমদোকপগী থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখিবনি।

থাজদবা মওংদা শেল কা হেন্না থমজিল্লকপদগী ওফিসলশিংনা মরী লৈনবা মীওই কয়াগী মথক্তা ইনভে-ষ্টিগেসন চথুদুনা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা হোৎনরি। অচুম্বা মওংদা মশানা তাঞ্জবা শেনফম একাউন্টতা হাপচিনবগী মতাংদদি করিসু মীপাইনিংঙাই ওইদে। অদুবু অরানবা মওংদা ব্লেক মনি পুম্নমক হ্বাইট মনিদা ওন্থোক্লবগী পান্দমদা জন ধন একাউন্ট নৎত্রগা সেভিংস একাউন্ট শীজিন্নবা থোক্লবদি লোগী মতুংইন্না মতিক চাবা চৈরাক শোয়দনা ফংগনি হায়রি।

মমাঙ চহীগী ওগষ্ট ফাওবদা লৈবাক অসিগী ওইনা জন ধন একাউন্ট মিলিয়ন ২৩০ হেন্না হাংদোকখি। হৌখিবা নবেম্বর থাদা একাউন্ট মশীং মিলিয়ন ২৫০ য়ৌরকখিবগা লোয়নননা হৌজিক্তি মিলিয়ন ২৮০ য়ৌরে।

মরকসিদা, গভর্ণমেন্টনা ইনকম টেক্স রিটর্ন ফাইল তৌনবগীদমক লামায় অমগী ওইবা ফোর্ম অমা থাদোরকখিবগা লোয়ননা ইনকম টেক্স রিটর্ন ফাইল তৌবদা তঙাইফদনা আধার নম্বর য়াওহনগদবনি অমসুং দিমোনেটাইজেসন মতুং তারকপদা লুপা লাখ ২ দগী হেন্না বেঙ্কতা থমজিনখিবগী ৱাফম ময়েক শেংনা পনগদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

মমাঙদা লামায় তরেৎ পানবা ফোর্ম অমা মেনশিল্লগা ইনকম টেক্স রিটর্ন ফাইল তৌরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি শুপ্নগী লামায় অমখক পানবা ফোর্ম অমা শীজিন্নরগনি।

দিমোনেটাইজেসননা লায়রবা অমদি ইনাক খুনবগী মরক্তা লৈরিবা পল হন্থহনবা ঙম্লগনি হায়না মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর ফাইনান্স অর্জুন রাম মেঘৱালনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

লোক সভাদা সপ্লিমেন্টরি দিমান্দস ফোর গ্রান্টকী দিবেট তৌরকপদা মিনিষ্টরনা হায়খি, শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবা থৌওং অদুনা লৈবাক্কী গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ট (জি দি পি) হেনগৎহনবা ঙম্লগনি।

ডা. ভিম রাও অম্বেদকরগী ৱারোল পল্লদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, সোসল অমসুং ইকনমিগী মতাংদা মীপুম খুদিংমক থোং মান্ননা কান্নবা ফংহন্দ্রবদি পোলিটিকেল ইক্কেলিটি লৈহনবা ঙম্লোই। মীপুম খুদিংমক থোং মান্ননা চাউখৎহন্নবগী পান্দমদা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবনি।

মমাঙদা অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টি অমনা গভর্ণমেন্ট পায়রিঙৈদা লায়রবা অমদি ইনাক খুনবশিংগী মরক্তা

য়াম্না চাওনা খেন্নবা লৈরম্মী। অদুবু দিমোনেটাইজেসননা খেন্নবা অদু খরমখৈ হন্থহনবা ঙম্লে হায়না অর্জুন রাম মেঘৱালনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, দিমোনেটাই-জেসনগী মতুং তারকপদা মীপুম খুদিংমক দিজিটেল ট্রানজেক্সন তৌনবগী পূক্নিং থৌগৎপা মরম্না জি দি পি য়াওনা হীরম খুদিংমক্তা চাউখৎহনবা ঙম্লগনি। উত্তর প্রদেশকী এসেমব্লি ইলেক্সনগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, মীয়াম্না দিমোনেটাইজেসন শৌগৎলি হায়বা উত্তর প্রদেশকী মীখলনা ময়েক শেংনা উৎলে।

পনবা য়াবদি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবগা লোয়ননা দিজিটেল ট্রানজেক্সনদা মীয়াম্বু পূক্নিং থৌগৎপগী থৌওংবু রিলাইন্স ইন্দষ্ট্রিজগী চেয়রমেন মুকেশ অম্বানিনা শৌগৎপা লৈখ্রবনি।

ইন্দিয়া টুদে কনক্লেবতা ৱা ঙাঙখিবদা অম্বানিনা হায়খি, ইন্দিয়ানা কেশ ইকনমি ওইরম্বদগী দিজিটেল ইকনমিদা অচৌবা খোঙথাং অমা থাংজিনবা হৌরে। মমাঙদা মীওই খরখক্না খুদোংচাবা পুম্নমক লৌরম্লবসু হৌজিক্তি মীপুম খুদিংমক চপ মান্নবা মওংদা খুদোংচাবশিং ফংলগনি।

দিমোনেটাইজেসননা মরম ওইরগা মীয়াম্বু খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্ল-হনখ্রবসু উত্তর প্রদেশকী মীখলদা বি জে পিনা মায় পাকখিবগী মতাংদা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা অম্বানিনা হায়খি, মতিক চাবা মীওই অমনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইবদগী লৈবাক অসিনা হীরম খুদিংমক্তা খুমাঙ চাউশিনবা ঙম্লে। মদুনা মরম ওইরগা উত্তর প্রদেশকী এসেমব্লি ইলেক্সনদা বি জে পিনা মায় পাকখিবনি।

# পাকিস্তাননা সোসল মিদিয়াগী খুত্থাংদা ঈহৌ শাগৎলি : রাজনাথ

ন্যু দিল্লি, মার্চ ৩১ (এজেন্সী) :
পাকিস্তাননা সোসল মিদিয়া শীজিন্নরগা কাশ্মীরদা নহারোলশিংবু ঈরাং হৌহন্দুনা মিলিটেন্টশিংগী মতেং পাংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি হায়না হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

লোক সভাদা ঙসি ওপোজিসনগী মেম্বর খরনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী বদগামদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মীচম অহুম নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবগী ৱাফম পুখৎলকপদা হোম মিনিষ্টরনা পাকিস্তানবু মরাল শীরদুনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

তৃণমূল কোংগ্রেস (টি এম সী)গী সৌগত্তা রোইনা কাশ্মীর তম্পাক্তা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরকপা মরম্না হোম মিনিষ্টরগী অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তারে হায়না ফোঙদোকখি।

ৱাফম অদুগী পাউখুমদা রাজনাথ সিংহনা হায়খি, কাশ্মীর তম্পাক্তা হৌজিক ওইরিবা ফীভম নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরবসু সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা অচুম্বা মওংদা টেররিজম নমথনবা হোৎনরি। হন্দক মরক সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মিলিটেন্ট কয়া ফানবা নৎত্রগা হাৎনবা হোৎনবদা নহারোল কয়ানা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংদা নুঙ লংশিন্দুনা অপনবা পীবগী থৌওং অমা হেক-হেক চথরকপা থেংনরে। পাকিস্তাননা অরানবা মওংদা লমজিংলবা নহারোলশিংনা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী থবক থৌরমদা অপনবা পীনবা হোৎনরকপনি। হ্বাট এপস্ অমদি ফেসবূককী খুত্থাংদা পাকিস্তাননা নহারোলশিং থেম্নবা হোৎনরকপদা কাশ্মীরগী মীয়াম্না অয়াবা পীরোইদবনি হায়নসু রাজনাথ সিংহনা ফোঙদোকখি।

কোংগ্রেসকী কে সী ভেন্যু-গোপালনসু কাশ্মীরদা মীচম শিবগী ৱাফম পুখৎলকখি। মহাক্না হায়খি, সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা টেররিজম লাকশিনবগী মিংদা মীচম মীয়াম হাৎপগী থৌওং অয়াবা পীরোইদবনি।

অমরোমদা, জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস এস পি বাইদনা হায়খ্রে মদুদি, কাশ্মীরগী নহা ওইরিবা নুপামচাশিংনা নোংমৈ কাপ্লফমদা চঙশিল্লক্তুনা সিক্যুরিটি ফোর্সেসতা নুঙ লংশিনবগী থৌওং অসি মশা মথন্তা সুইসাইদ তৌনবা ফিরেপ লৌজবগুম্বনি। ময়াই থংবা কাশ্মীরগী বদগাম দিষ্ট্রিক্টতা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মিলিটেন্টশিংগা নোংমৈ কাপ্লবদা নহারোল খরনা অপনবা পীনবা হোৎনরকপদা মীচম ৩ নোংমৈনা পান্দুনা শিখ্রবা মতুংদা দি জি পিগী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না হায়খি, নোংমৈ মরূদি মমীৎ পান্দে। কাপথোকখ্রবা নোংমৈ মরূ অমা কনাদা পাল্লুগদগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদে। মরম অদুনা নহা ওইরিবা নুপামচাশিংনা নোংমৈ কাপ্লফমদা চঙবগী মহুৎ মশা-মশাগী ময়ুমদা লেংদনা লৈগদবনি।

মমাঙ চহীগী জুলাই থাদা হিজবুল মুজাহিদীনগী লুচিংবা বুরহানৱানিবু সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রবা মতুংদা মীচম মীয়াম্না ঈরাং হৌরক্তুনা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী থবক থৌরমশিংদা অপনবা পীদুনা লাকখি।

ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা দি জি পি বাইদনা হায়খি, মীচম মীয়াম্না সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী থবক থৌরমদা অপনবা পীরক্লবদি খুদোংথীবা শোয়দনা নংগনি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী বদগামদা সিক্যুরিটি ফোর্সেস অমসুং টেররিষ্টশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লখিবদা টেররিষ্ট অমা অমসুং মীচম অহুম শিখিবগা লোয়ননা মীওই ১৪ অশোক-অপন নংবা লৈখ্রবনি।

সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মিলিটেন্ট অমা লোৎতুনা লৈরে হায়না চিংনবা য়ুম অমা কোইশিন্দুনা থিবা-হুম্বগী থবক চথনবা থৌরাং লৌখৎলুবদগী নাকল অনী খুৎ থোক্লরকখিবনি। থৌদোক অদুদা মিলিটেন্ট অমা শিখি হায়না ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস জাবিদ গীলানিনা ফোঙদোকখি।

খুদক্তা খুঞ্জা চা কয়ানা মিলিটেন্ট অদুবু শৌগৎপা ওইনা সিক্যুরিটি ফোর্সেস তম্না নুঙ লংশিনবা হৌরকখি। খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীয়াম তানখায়নবগীদমক পুলিসনা টিয়র গ্যাস সেল কয়ামরুম কাপখি। থৌদোক অদুদা টিয়র গ্যাস সেলনা পানবদগী মীওই অহুম শিখি হায়না গীলানিনা ফোঙদোকখি। অতোপ্পা মীচম ৬ অমদি সিক্যুরিটি পার্সনেল ৮সু অশোক-অপন নংখি।

আর্মিগী স্পোক্সমেন লেফটনেন্ট কর্নেল রাজেশ কালিয়ানা হায়খি, সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা চথখিবা ওপরেসনদা মিলিটেন্ট অমা হাৎপা ঙমখিবগা লোয়ননা খুৎলায় কয়ামরুম ফংবা ঙমখি।

হৌখিবা মার্চ ৫ দসু খা থংবা কাশ্মীরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা ট্রালদা সিক্যুরিটি ফোর্সেস অমসুং মিলিটেন্টশিংগী মরক্তা পুং ১৫ চুপ্না খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অমা থোকখি।

# টু হ্বিল্লর কম্পেনিশিংনা বি এস-৩ মোদেলগী গাড়ীশিং লুপা ১২,৫০০ দিস্কাউন্ট পীরগা য়োনখ্রে




ন্যু দিল্লি, মার্চ ৩১ (এজেন্সী) :
ভারত ষ্টেজ-৩ মোদেলগী গাড়ীশিং এপ্রিল ১ দগী য়োনবা অমসুং রেজিষ্ট্রেসন তৌবা য়াররোই হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ৱায়েল পীখ্রবা মতুংদা হিরো মোটো কোর্পোরেসন অমদি হোন্দা মোটোরসাইকল এন্দ স্কুটর ইন্দিয়ানা লুপা ১২,৫০০ দিস্কাউন্ট পীরগা কাংখোঙ অনী পানবা গাড়ীশিং য়োনখ্রে।

কম্পেনি অনীমক্না হায়খি মদুদি, সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অদুনা বি এস-৩গী গাড়ী লাখ ৮ গী মনুংদা লাখ ৬.৭১ দা অকায়বা পীরকপা মরম্না য়ারিবমখৈ অথুবা মতমদা গাড়ীশিং য়োন্থোকখিনবা থৌরাং লৌখৎপনি।

হিরো মোটো কোর্পোরেসননা স্কুটর, প্রিমিয়ম বাইক অমদি মোটোরসাইকলগী মমল মথংশিৎনা লুপা ১২,৫০০; লুপা ৭,৫০০ অমসুং লুপা ৫,০০০ হন্থনা য়োনখি।

অমরোমদা, হোন্দা মোটোর-সাইকল এন্দ স্কুটর ইন্দিয়ানা বি এস-৩গী স্কুটর অমদি মোটোরসাইকলশিং লুপা ১০,০০০ দিস্কাউন্ট পীরগা য়োনখি।

লৈবাক অসিদা ভারত ষ্টেজ -৩ (বি এস-৩) গী গাড়ীশিং এপ্রিল ১দগী য়োনবা অমসুং রেজিষ্টর তৌবা য়াররোই হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ঙরাং ৱায়েল পীবা লৈখ্রবনি।

জষ্টিশ মদন বি লোকুর অমদি জষ্টিশ দিপক গুপ্তগী বেঞ্চনা হায়খি, শেন্দোংগীদমক গাড়ী পুথোক্লিবা কম্পেনিশিংগী ইন্টরেষ্টতগীদি লৈবাক মীয়ামগী হকশেলনা মরুওইবা হেল্লি।

এপ্রিল ১দগী হৌনা বি এস-৪ গী গাড়ীশিং পুথোরকপা তারবসু হান্নগী লেমহৌরিবা বি এস-৩গী গাড়ীশিং য়োনবা য়াহনবীয়ু হায়না ওটো মেন্যুফেকচররশিংনা থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসন অমা হিয়ারিং চথরবা মতুংদা সুপ্রিম কোর্টকী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।


গভর্ণমেন্টনসু তোঙান-তোঙানবা গাড়ী পুথোকপা কম্পেনিশিংগী মীচংদা লেপ্তুনা মতম খরা বি এস-৩গী গাড়ীশিং য়োনবা য়াহনবীয়ু হায়না সুপ্রিম কোর্টতা হায়জখি।

এজেন্সীগী রিপোর্ট মতুংইন্না লৈবাক অসিদা হৌজিক-হৌজিক বি এস-২গী গাড়ী ৮,২৪,২৭৫ লৈ হায়রি। হায়রিবা গাড়ীশিং অসিগী মনুংদা কম্মর্সিএল ভেহিকল ৯৬,৭২৪; টু হ্বিল্লর ৬,৭১,৩০৮; থ্রি হ্বিল্লর ৪০,০৪৮ অমসুং কার ১৬,১৯৮ য়াওরি।

গাড়ী পুথোক্লিবা মেন্যুফেক-চররশিংনা কোর্টতা হায়খি মদুদি, কুমজা ২০০৫ অমসুং কুমজা ২০১০ দা মথংশিৎনা ভারত ষ্টেজ-২ অমদি ভারত ষ্টেজ-৩ দা ওনখৎখিবা মতমদা হান্নগী অরিবা ষ্টোকশিং মখা তানা য়োনবা য়াহনখি।

# রাম টেম্পলগী মতাংদা ঙন্না হিয়ারিং চথবগী ৱাফম সুপ্রিম কোর্টনা য়াখিদ্রে; স্বামিনা অতোপ্পা পান্বৈ অমা থিগদৌরি

ন্যু দিল্লি, মার্চ ৩১ (এজেন্সী) :
য়েৎনরিবা অযোধ্যাগী মফম অমদা রাম টেম্পল শাবগী মতাংদা ঙন্না হিয়ারিং চথবগী ৱাফম সুপ্রিম কোর্টনা য়াখিদ্রে। হিন্দুশিংনা রামগী পোক্লফম-নি হায়রিবা অদুগা মুস্লিমশিংনদি কন্না য়ানিংদ্রিবা একর ২.৭ পাক চাওবা মফম অমদা রাম টেম্পল শাবগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা ৱারী শানরগা য়াশিন্নবা পুরক্কদবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা অমুক হন্না হন্দক্কী ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।



মতম ঙন্না হিয়ারিং চথবীনবা পিটিসন ফাইল তৌখিবা বি জে পিগী পার্লিয়ামেন্টরিয়ন সুব্রমনিয়ন স্বামিনা হায়খি মদুদি, কনাগুম্বা মীওই খরনা রাম টেম্পল শাবগী থবক থৌরম পন্থহন্নবা অতম্বনা হোৎনরকপদা মায় পাক্লে হায়না লৌবা য়াই। অদুবু কোর্টনা হীরম অসিগী মতাংদা মতিক চাবা ৱায়েল পীদবা তারবসু অথুবা মতমদা রাম টেম্পল শানবগী মতাংদা অতোপ্পা পান্বৈ অমা পুথোক্লবা হোৎনরগনি।

চহী ৬ পন্দুনা লৈরকখিবা অযোধ্যাগী রাম জন্মভুমী-বাব্রি মসজিদকী ৱাথোক কোর্টকী মপান্দা য়াশিন্নবা পুরক্কদবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মরী লৈনবা খুদিংমক্না অযোধ্যাগী মতাংদা ৱারোইশিন পুরক্লবা পান্বৈ অমা পুথোক্কদবনি হায়না পল্লদুনা সুপ্রিম কোর্টনা হায়খি মদুদি, করিগুম্বা মথৌ তারবদি হীরম অসিগী মতাংদা প্রিন্সিপাল নিগোসিএটর অমা খনবদা অকায়বা লৈতে।

চীফ জষ্টিশ জে এস খেহরনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা হায়খি, অসিগুম্বা লাইনিং লম্বীগা মরী লৈনবা ৱাথোকশিং ৱারী শানরগা য়াশিন্নবা পুরক্কদবনি। মীওইবগী লাইনিং লম্বী অমদি পূক্নিং ৱাখলগা মরী লৈনবা ৱাফম ওইবনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ফম্মিন্নরগা ৱারোইশিন পুরকপা মথৌ তাই।

জষ্টিশ দি ৱাই চন্দ্রচুদ অমদি জষ্টিশ সঞ্জয় কিষন কোলসু য়াওবা বেঞ্চ অদুনা হায়খি, মীচং মীখাই নাইদবা মোদরেটর অমা খল্লগা নাকল অনীমক্না ঈং-তপ্পা মওংদা ৱারী শানরগা য়াশিন্নবা পুরক্লবা হোৎনগদবনি। কুমজা ২০১০ দা অলাহবাদ হায় কোর্টনা পীখিবা ৱায়েল অমা শীংনরদুনা বি জে পিগী লুচিংবা সুব্রমনিয়ন স্বামিনা পিটিসন অমা থাঙ্গৎলকখ্রবা মতুংদা সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অসি পীখিবনি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১০ দা অলাহবাদ হায় কোর্টনা য়েৎনরিবা অযোধ্যাগী লম তঙ্খায় খায়দোক্লবা ৱায়েল পীবা লৈখ্রবনি।

সুব্রমনিয়ন স্বামিনা হায়খি মদুদি, চহী ৬ হেন্না য়ানবা ঙমদনা লাক্লবা ৱাফম অসি অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরক্লবা সুপ্রিম কোর্টনা ৱায়েনবা মথৌ তাই।

বি জে পি অমদি মসিগী পেরেন্ট ওর্গনাইজেসন ওইরিবা আর এস এসনা সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অসিবু তরাম্না ওক্লদুনা হায়খ্রে মদুদি, ৱারী শানদুনা ৱারোইশিন পুরকপা হায়বসিনা খ্বাইদগী ফবা পান্বৈনি।


## GRATITUDE



Ashok Kumar

It is my moral obligation to show my sincere gratitude to **Sir Ashok Kumar** as he has healed my prolonged sickness **i.e., Frozen Shoulder** after only **5 days treatment**. I have been suffering from such sickness for the last one year. In fact, I could not raise my left hand, unable to bind my hair and my shoulder remained in pain which caused me so much trouble. It is really wonderful and incredible treatment at **Ashok Kumar Health Care Centre, Near E.S.U. Ground, Palace Compound, Imphal, ☎ 9612988625.** It is my prayer for him to continue serving for the people. May Lord Jesus bless him.

*Sd/-* **Alam Haokip**
Dewlahland, Imphal

*HL-P/1236/1*

## থবক্কী পাউ

চহী ১৮ দগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা, থবক থীরিবা Unemployed ওইবা কেন্দিদেট (Male/Female) শিংদগী তোঙান-তোঙানবা **Official Post 47** গীদমক্তা থবক কৌজরি। Qualification না X, XII অমসুং Graduate পাস তৌরবা মীওই ওইগদবনি। Deposit লৌজরোই। Selection ওইরবা মীওইশিংগী লৈফম-চাফমগী খুদোংচাবসু পীজরি।

***Income :*** **₹ 10,000/- – 35,000/- P.M.**

***Visiting Hour :*** **12:00 noon to 3:oo p.m.**

Apply তৌবিনিংবা মীওইশিংনা অথুবা মতমদা ঈশাগী Bio-data পুরক্লগা ওফিসতা তান্নবীয়ু।

***Contact :*** ☎ **8014170652**
***Or,*** **8259950861**

*HL-P/1168/23,27,31Mar.&1 Aprl*

## ADMIT CARD LOST

I have lost my Original Admit Card of B.Sc. 6th Semester, bearing Roll No. 3107362 of 2013 issued by Manipur University, on the way from Takyel to RIMS Gate on 30/03/2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **Maibam Ashokumar Meitei**
Salam Mamang Leikai, ☎ **8414098146**

*HL-P/1235/1*

## NOTICE

National Students' Union of India (NSUI), Manipur State is looking for generous sponsors for the 46th Foundation Day Celebrations on 9th April, 2017 at G.M. Hall. Any Companies, Factories, Industries or Any Institutions who would like to sponsor and help in promoting the welfare of Student's Community for a better State are requested to contat at : **#+91 -9711791498; +91 -9615990158** and **+91-9077758294**.

*Sd/-* **Kangabam Bankimchandra**
***State Secretary, NSUI***

*HL-B/3781/25-31&1*

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY AND SETTLEMENT OFFICER -VIII, THOUBAL**

***Ref:- Mut. Case No. 254/ASSO-VIII Dated : 28/03/2017***

Laishram Ningthemjao Singh S/o Late Mitkhu Singh of Khangabok Part- II Mayai Leikai.
*-Petitioner*
-VS-
Laishram Mitkhu Singh S/o Late Angou Singh of Khangabok.
*-O.P... P...*

**NOTICE**
30/03/2017

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৩৩ গী পাট্টা নং ১৭৯৫ (অরিবা) ২৩৪০ (অনৌবা) গী দাগ নং ৩৮৮৬ কী হেক্তর ০.১১২৫ চাওবা ইঙ্খোল অসিদা নমা পাল্লিবা কো-পাট্টাদার নং ১সুবা শ্রী লাইশ্রম মিৎখু সিংহ পী: মৃত অঙৌ সিংহ সাং খাঙবোক, কো-পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃত কো-পাট্টাদারগী মচানুপা পেটিস্নরনা মৃত কো-পাট্টাদার নং ১সুবগী মমীং কল্লগা নমা পানবীরো হায়না মথক্কী কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। কনাগুম্বা মৃত পাট্টাদারগী মরী-মতা, মচা-মশু অমদি ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ০৬/০৪/২০১৭ ইং ফাওবগী মনুংদা মথক্কী কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌগদবনি নৎত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথগনি। তুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **Th. Shantikeshwar Singh**
Asstt. Survey and Settlement Officer-VIII, Thoubal

*HL-P/1237/1*

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY AND SETTLEMENT OFFICER -VIII, THOUBAL**

***Ref:- Mut. Case No. 244/ASSO-VIII Dated : 22/03/2017***

1. Saikhom Shyam Singh S/o Late Gourachand Singh of Khangabok Part III Makha Leikai.
2. –Do– Rame Singh S/o (L) –Do– of –Do–. *-Petitioners*

-VS-
Saikhom Yaima Singh S/o (L) Heiyai Singh of Khangabok.
*-O.P... P...*

**NOTICE**
27/03/2017

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৩৩ গী পাট্টা নং ২০৩৭ (অরিবা) ২৯৩৪ (অনৌবা) গী দাগ নং ২৩৮১ অমসুং ২৩৮২গী হেক্তর মথংশিৎনা ০.৪৫০০ + ০.৩৪০০ অপুনবা হেক্তর ০.৭৯০০ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিদা নমা পাল্লিবা শ্রী সাইখোম য়াইমা সিংহ পী: মৃত হৈয়াই সিংহ সাং খাঙবোক, পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃত পাট্টাদারগী মশুনুপা পেটিস্নর অনীনা মৃত পাট্টাদারগী মমীং কল্লগা মখোয় অনীগী মমীংদা নমা পানবীরো হায়না মথক্কী কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। কনাগুম্বা মৃত পাট্টাদারগী মরী-মতা, মচা-মশু অমদি লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ০৬/০৪/২০১৭ ইং ফাওবগী মনুংদা মথক্কী কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌগদবনি নৎত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথগনি। তুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **Th. Shantikeshwar Singh**
Asstt. Survey and Settlement Officer-VIII, Thoubal

*HL-P/1237/1*

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY AND SETTLEMENT OFFICER -VIII, THOUBAL**

***Ref:- Mut. Case No. 253/ASSO-VIII Dated : 28/03/2017***

Laishram Ningthemjao Singh S/o Late Mitkhu Singh of Khangabok Part- II Mayai Leikai. *-Petitioner*
-VS-
Laishram Mitkhu Singh S/o Late Angou Singh of Khangabok.
*-O.P... P...*

**NOTICE**
30/03/2017

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৩৩ গী পাট্টা নং ১৯০৬ (অরিবা) ২২৩১ (অনৌবা) গী দাগ নং ৩০৭১ গী হেক্তর ০.২৫২৫ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিদা নমা পাল্লিবা শ্রী লাইশ্রম মীৎখু সিংহ পী: মৃত অঙৌ সিংহ সাং খাঙবোক, পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা পেটিস্নর মচানুপানা মৃত পাট্টাদারগী মমীং কল্লগা নমা পানবীরো হায়না মথক্কী কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। কনাগুম্বা মৃত পাট্টাদারগী মরী-মতা, মচা-মশু অমদি লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ০৬/০৪/২০১৭ ইং ফাওবগী মনুংদা মথক্কী কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌগদবনি নৎত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথগনি। তুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **Th. Shantikeshwar Singh**
Asstt. Survey and Settlement Officer-VIII, Thoubal

*HL-P/1237/1*

## লায়েংজরি / UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

**(অঙৌবা পকপা)**
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

**(তাং-তাং চিকপা)**
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

**(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)**
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

**(নুংশং)**
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

**(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)**
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হান্থা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

**(নুপাগী প্রোব্লেম)**
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্চবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

**(নুপীগী প্রোব্লেম)**
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্চবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

**(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)**
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

**(শমগী প্রোব্লেম)**
শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোকশাবা হাক্চবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,**

HL-B/3729/03/03-05/04